কংলৈপাক্কী অতিয়াদা লিংনা ঙাল্লিবা অইবা অমদি কলচরেল এক্টিভিষ্ট - চনা লুখোই

- নানি-

মপূং ফানা মতিক চাবা মীওই অমা হায়বসি পাক্লা থোক্তে। য়াম্না তাঙনা মরক মরক্তা মালেমদা লাকই। অদুগুম্লবা মীশকশিং অদুগী মরমদা মশা হিংলিঙৈদা অমদি মপাঙ্গল কল্লিঙৈদা মহাক্কী মরমদা মমুৎ তানা খঙননবা অমদি মহাক্কী পান্দমদা খুদুং ইনবা ঙম্নবা থোইদোক্না হোৎনবদি ঙসিগী মতম অসিদা থোইনা উবা ফংদে। মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মীশক অদুগী মরমদা খজিক্তং ওইরবসু নৈনবা হৌরল্লগা মমুৎ তানা খঙদনা মানা মানা থোকপা হায়নরগা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। লমদম অসিদা মশক নাইরবা অইবা দ্রামাটিষ্ট অমদি হীরম কয়াদা মায় পাক্লবা মীওই কয়া লৈখ্রে। হৌজিক্তদা পুথোক্তুনা নৈনবা হৌরক্লি। মদুগী মতিক চাবা মহয়দি থোইনা ফংবা উদে। খঙলবনি হৈরবনি হায়বা মীওই খরনা ঙাঙবা অদুনা অচুম্বা ওইরবোই নীংনরিবা অসিনা চৎনবী ওইদুনা লৈরি। মসিমক্তি তশেংনা মতমসিগা চান্নরিব্রা হায়বা অসিসু কন্না নৈনবা মতম ওইরে। তৌথোরকপা থবক্তা, ইথোরকপদা থোইদোকপা মতিক ময়াই অমা চেল্লে হায়না খল্লবদি মশা হিংলিঙৈদা নৈনহৌগদবনি। মহাকপু মীয়াম্না করম্না য়েংলিবগে অমদি করম্বা ৱাখল্লোন অমদা মহাকপু শক খঙলিবগে হায়বদু মশাসু খঙজহৌগদবনি। লোয়ননা মহাক মশাগী মরমদা মহাক্কী পুথোক্লিবা লাইরিকশিংদা অইবা মশানা উরিবা মিৎয়েং অমদি ৱাখল্লোনশিং অদুগী মরমদা হায়রক্লিবা পুন্নমকশিং অদুদা শেবাৎনবা, ফৈরেংনবা অমদি তাইওন্নবা য়াওরবদি ঐনা খনবদি মসিনি, হায়না শেংদোক্তুনা হেন্না মমুৎ তানা নৈননবগী তাঞ্জা অদু লৌবা মতম ওইরে। মসি মপান লমদদি থওইনা হীরম অসোমদা কন্না চঙশিন্নরে। ঐখোয়গীসিদদি অইবা খরবু মীট দ রাইটরস হায়দুনা থৌরম অমা অনী শিনবদি উরে হায়ববু মদুদি ইচম চম্না ৱারী শান্নবগী থবক্তগী হেন্না একাদেমিক ওইবা এপ্রোচ অমদা চঙশিনবমক্তি উবা ফংদ্রি। মসি অমা অমগী ৱা নত্তনা তৌহন্নীংই, তৌফমসু থোকপ্রা খল্লি।

ঙসিগী ওইরিবা মতম অসিদা, লমদম অসিগী মপারিনি হায়বদা থোইদোক্না শিংথানিংঙাই ওইনা চাওথোকচরিবা মণিপুর শুমাং লীলা ইবা অমা ওইনা মমিং লৈরবা অমদি কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা পুন্নমক্কী হংফম তান্নফম ওইরিবা ওইনাম লুখোই ময়াম্না চনা লুখোই হায়না লৈবাক শিন্না খঙনরিবা ওজা অসিসু অমনি। ওজা অসি কুমজা ১৯৫০ গী এপ্রিল ১০ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কংলৈপাক্কী ইম্ফাল নোংপোক পানাদা লৈবা লমলাই এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চম্না লৈরিবা চনা হায়বা খুঙ্গংদুদা লৈখিদ্রবা ওইনাম মনি মীতৈ অমদি লৈখিদ্রবী ইরুংবম নিঙোল ওইনাম ওংবী অমুলেমা অনীগী মচিন মনাও অহুমগী অহানবা ওইনা ফংজখি। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা থোঙাম নিঙোল ওইনাম ওংবী ইবেতোন লৈমনা অপোকপীগী মহুৎ শিন্দুনা য়োকপীরকখি। শক্লাইরবা অইবা অসি খাইদেম নিঙোল ওইনাম ওংবী লেম্বী (নুংথিল চাইবী) গা য়ূম্বানমিন্নদুনা মচা পীবা অহুম অমদি নিঙোল অনীগী মপা ওইরি।

শক্লাইরবা অইবা অসিগী মরমদা খরদা ওইরসু হায়বা হায়বসি পংলাই লাইবা থবক অমা নত্তে। অদুন্নমক্তি ওইরগা অইবা অসিগী থোইদোকপা শিংথানিংঙাই ওইবা পরম অনী লৈরি হায়বসিমদি পলহৌদবা য়াদে। অহানবদা শুমাং লীলা, রেদিওগী প্লে ইবা, অনীশুবদা মীতৈ পুয়া (ৱারী) লীবা অসিনি। হীরম অনী অসিদা ওজা অসিগী থোইদোকপা কয়া মীয়াম্না হেন্না খঙনৈ, ওজানা লীবা ৱারীদা অতাবশিংগী পূক্লিং হুদবা ঙমদে। নিংথিবা ৱারীগী পরিংদা মতাং অমদি মফম চনা ইমোসন শীজিন্নদুনা তারিবশিংগী পূক্লিং খম থেংনা ৱারীগী ইহুলশিং ফংহল্লি। অমুকসু মতমদুগী লৈরম্বা খুন্নাই পুন্সিরোলগা হৌজিক্কা চাংদম্নদুনা তৌগদবা, তৌরোইদবা, অফবা ফত্তবা কয়া মতাং চনা ফেনজিন্দুনা অতাবশিংদা থোইদোকপা লৌশিং অমসু পীবা ঙম্মী। মসিমদি ওজা অসিগী থোইদোকপা মতিক ময়াই অমনি। ৱারী পরিং অমদা অতাবশিংবু পুশিনবদা নত্তনা পরিং অদুগা শাগোন্নবা পুন্সিরোল কয়াগী মরিক চুম্বা ৱাহন্থোক পীদুনা হেন্না নুংঙাইবা পীবা ঙম্বা অসিনি ওজা অসিগী থোইদোকপা।

মণিপুরী শুমাং লীলাগী পুৱারী অমা নৈনরকপা মতমদা চনা লুখোই কৈদৌনুংদা কান্দুনা চৎপা য়ারোই। মণিপুরী শুমাং লীলাদা মহাক্কী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক হাক্লা লৌদুনা লাকই। হৌজিকফাওবদা বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী এৱার্দ ২০ অমদি সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী এৱার্দ ৮ ফংখ্রে। মসিগী থোইদোকপা মরম অমা শোয়দনা লৈফম থোকই। মতিক চারবা মীওইশিংগী পুন্সি ৱারী নৈনবদা অইবা অসি চিৎথফম থোক্তে। চনা লুখোইগী স্ক্রিপ্ট ইবগী ষ্টাইল মহাক্কী ৱারীগী মপুথোক, মশাগৎ, পরিং অমদি পোলোই লোয়ননা মদুদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা নৈনবনা ৱাৎলগনি খল্লি। মতম মতমগী ওইনা থোকপা সোসিএল ইলুসন, ক্রাইসিস, প্রোব্লেম কয়া য়াম্না মরিক চুম্না ওজা অসিগী মফোংদোক্তা থেংনৈ। শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংগী মনুংদা অরিবা মীতৈগী লোনগৈ কয়া মরাং কায়না শীজিন্নদুনা লমদম অসিদা নৌনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ঐখোয়গী লোনগী ফজবা অমদি অথোৎপা অমেংবা কয়াবু নিংথিনা তন্নীবগী থোইদোকপা মহাও অমা চেলহনবা ঙম্মী। চীংয়া-তময়াগী, খুঙ্গংগী পুন্সিগী, ময়ায় ওইরপ্পা ইমুংগী মীওইশিং অমদি মতিক ময়াই চেনবা মীপোক মীহেনবশিংনা খুন্নাই অসিদা মীওইবা অমগা মীওইবা অমগগী মরক্তা লৈনরিবা খেন্নবা, মপানগী পুন্সিরোলদা উবা ফংদবা থম্মোয়গী কাচিন্দা নপ্পুনা লৈরিবা অপেন পেন্দা কয়াবু চিংথোক্তুনা ইথোরক্লে। নাকল অমদা অমুক খুন্নাই অসিগী চাওখৎলমদা অমদি তুংগী মিৎয়েংদা য়াম্না মকা লাম্না ফোঙদোক্তুনা ঙসিগী মীরোল অসিনা তুংলমচৎকীদমক করি তৌবা য়াবগে অমদি তৌগদগে হায়বা অসি মহাক্কী লীলাগী ৱারী খুদিংমক্তা য়াওরি। অইবা অসি মরৈবাক মরমদমবু তশেংনা নুংশিবা অইবা অমনি হায়বসি মহাক্কী লীলা খুদিংমক্তা উবা ফংই। মীওইনা পোক্লবদা মরৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা তৌরমগদবনি হায়বসি মীপুম খুদিংনা হায়নরবসু ঙসিদি মশা মশাগীতা ওইবা কান্নবা য়েংদুনা অতোপ্পা অমদি খুন্নাইগী ৱাফম অসি লাপ্পা থৈদোক্লরবা মতম অসিদা চনা লুখোইদি হৌরক্লিবা মীওইশিংদা অনৌবা লৌশিং পীদুনা ঐখোয়না হিংলিবসি মীয়ামগীনি, ইরৈবাক্কীনি অমদি ঐখোয়না শুরিবা তৌরিবা শিনফম খুদিংমকশিং অসি ইরমদম অসিগীদমকনি হায়বা অসি কৈদৌনুংদা কাউথোক্তনা শিনবাঙবা থেংনরি। হৌজিক ফাওবদা অইবাঅসিগী লাইরিক ৮ - *চৱৈ হুইমদোল লৈমা, ঈগী নোং, সনা পাৎকী থারিকথা, হোটেল বোয়, পুংদোঙবম থৌদোক, শক্লাইবা তরানিথোই, খোঙজি মখোলনা কৌরক্লে, চনিং লাইরেম্বী* ফোঙখ্রে।

ওজা চনা লুখোইগী য়ূম্মক্তদা কলচরেল ইনষ্টিট্যুট অমা মরন্নাই ওইনা হাংদুনা নাৎ শক্তমগা শাগোন্নবা জগোয়-ঈশৈ, ৱারী অমদি অতৈ হীরম কয়াদা তাকপী তম্বীবা অমদি থৱায় য়াওবশিংগী পূনফম ওইনা লিংখৎতুনা লৈরি। মসিনা মায়কৈ অসিগীতা নত্তনা মফম কয়াদগী মথৌ তাবা কয়ানা লাক্তুনা তাকফম তম্ফম, তান্না-তিন্নফম ওইরি। লায়রবা ইমুংদা হৌরবসু মীয়ামগীদমক কৎথোকপা অমদি লৈবাক্কীদমক খনবনা ইমুংগী কলচর অমা ওইরি। অসিগুম্বা মতিক চারবা ওজা অসিদা মিৎয়েং কয়াদগী য়েংলগা লেমজনীংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়া পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা পীবা খুমন্থেম কাওমচা নীংশিং সনাগী মেদল, অঞ্জি কলচরেল একাদেমিনা পীবা অঞ্জি এৱার্দ, ইন্দিজিনিয়স আর্ট এন্দ কলচর এসোসিএসন্না পীবা আইকোন এৱার্দ, ঈ এম এ, বংলাদেশনা পীবা সাইটেসন অমদি এৱার্দ, মণিপুরী দিভলপমেন্ট ত্রষ্টনা পীবা এচিভমেন্ট এৱার্দ, আসাম মহিলা সনমেলননা পীবা এৱার্দনচিংবা কয়া ফংখ্রে। হেন্না পীবা য়াবা অমদি লৌখৎপা য়াবা ওইরবসু ওজা অসিগী মীং অসি থোইদোক্না নীংশিংনদবগুম তৌরকপা অসিমক্তি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথক্তা ইরানগী পোৎলুম থোনগৎপা ওইনা থোক্কদৌরি।

খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

জুপিটরনা সোলর সিষ্টেমগী খ্বাইদগী পীরবা প্লানেট ওইবা য়াই

অয়াম্বনা হাইদ্রোজেন অমসুং হিলিয়মনা পুল্লগা শেম্বা চাওরবা জুপিটর প্লানেট অসি অপীকপা থৱানমীচাক অমগা য়াম্না মান্নে। সোলর সিষ্টেমদা খ্বাইদগী চাওবা প্লানেট ওইরবসু গেস জাইন্ট অসি থৱানমিচাক্কী থাক্তা থাঙ্গৎপা য়াবগী মাসকী চাং য়ৌনা মশাদা য়াওদে। মরম অদুনা সাইন্টিষ্টশিংনা প্লানেট অসিবু গেস জাইন্ট হায়না মমিং থোনবদা হেঞ্জিনবা মিং থোল্লি হায়নীংঙাই ওইদে হায়নরিবনি।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী সোলর সিষ্টেমদা য়াওবা খ্বাইদগী চাওবা প্লানেট ওইরিবা গ্যেস জাইন্ট অসি সোলর সিষ্টেমদা খ্বাইদগী ইহান হান্না শেমখিবা প্লানেট ওইরম্বা য়াই হায়বসি অনৌবা রিছার্স অমদগী খঙবা ঙম্লে। প্লানেট অসিনা সোলর সিষ্টেমদা লৈরকপগী মওংনা ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা প্লানেটশিংগী ফীভমশিং অসি লাকহন্নবা ঈথিল পীরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। সোলর সিষ্টেম শেমখিবদগী লৈরক্লবা রোক অমসুং মেটল মচেৎশিং কুপ্পা য়েংশিনবদা চাওরবা প্লানেট অসি য়াম্না ঙন্না শেমখি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংই হায়রি। মসি সোলর সিষ্টেম শেমখিবা চহী মিলিয়ন অমা ফাওবগী মনুংদা শেমখিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মসিনা চুম্বা তারবদি জুপিটরনা সোলর সিষ্টেমদা লৈরকপগী মওংনা করিগীদমক ইন্নর প্লানেটশিং অদুক্কী মতিক পীক্লিবনো হায়বসি এক্সপ্লেন তৌবা ঙম্বা য়াই। মসিমক্কা সোলর সিষ্টেমদা আর্থ লৈহল্লকখিবগী মরমসু ওইবা য়াই হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা ইঙ্গিৎ পীরি। মমাঙদদি এষ্ট্রোনোমরশিংনা জুপিটরগী চহী পাবদা কম্প্যুটর মোদেলশিং শীজিন্নখি। তৌইগুম্বসুং জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটি ওফ মুনষ্টরগী জিওকেমিষ্ট থোমাস ক্রুজরনা সোলর সিষ্টেমদগী ফংবা থাঙ্গৈশেংবা দেটা শীজিন্নদুনা জুপিটর অসি হান্না পানরম্বা মতমদগী য়াম্না হেন্না ঙন্না শেমখি হায়বা উৎনবা হোৎনখি। মহাক্না রোকশিংগী কেমিকেল কমপোজিসনগী মরমদা কুপ্না থীজিনখি। মহাক্না ষ্টদি তৌবদা শীজিন্নরিবা রোকশিং অদু স্পেসতগী মালেম লৈমায়দা তারকখিবা মিটিওরাইটশিং (থৱান্মীচাক মথী) হায়না খঙনবা পোৎশকশিংগী মরক্তগীনি। মিটিওরাইট অয়াম্বা এষ্টোরোইদ বেল্টতগী লাকখিবনি। বেল্ট অসি হৌজিক মার্স অমসুং জুপিটরগী মরক্তা রোকশিংগী খুজি (রিং) অমা ওইনা শেল্লগা লৈ। বেল্ট অসিদা লৈরিবা রোক মতুমশিং অমসুং মেটলশিং অদু থাঙ্গৈশেংবদি অতৈ মফমশিংদগী লাকখিবনি। থিজিন হুমজিল্লিবশিংগী ওইনা লাইবক ফবদগী মিটিওরাইটশিংনা মখোয়গী পোক্ল ফমশিং (হৌরকফমশিং) অদুগী সিগনেচর অমা পুই। ক্রুজর অমসুং মহাক্কী কোলিগশিংনা তাঙনা ফংবা য়োৎকী মিটিওরাইটশিংগী সেম্পল ১৯ দা কুপ্পা ষ্টদি তৌবদগী সোলর সিষ্টেমগী প্লানেটশিংগী মনুংদা জুপিটরনা ইহান হান্না শেমখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎশিং ফংখিবনি।

হকশেল ফিবম



ইনফ্লুএঞ্জা এ (ঐচ ১ এন ১) - স্বাইন ফ্লু



স্বাইন ফ্লু অসি শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না মখল অমনি। মসি ঐচ ১ এন ১ হায়না খঙনবা ইনফ্লু এঞ্জা টাইপ এগী ষ্ট্রেন অমনা থোকহনবনি। ঐচ ১ এন ১ অসি মীওইবদা মতম মতমগী ওইনা ফ্লু লায়নাগী লাইচৎ থোকহল্লিবা ষ্ট্রেনদুমক্লি। মতম মতমগী ওইবা ইনফ্লুএঞ্জা ভাইরসশিং অসি মীওইবগী মরক্তা তিন্দুনা লৈ। ভেক্সিন কয়া শীজিন্নদুনসু মখোয়না চহী খুদিংগী মীওইবদা মীশি মীনাশিং থোকহল্লি। মরু ওইনা মহীকশিং অসিনা হকচাংগী মশা ঙাকথোকচবগী পাঙ্গল শোন্থরবা অমসুং অতৈ হকশেলগী প্রোব্লেমশিং লৈবা মীশিংদা শোকহল্লি।

ইনফ্লুএঞ্জা ভাইরসশিং এনিমেলশিং মরুওইনা উচেক ৱায়াশিংগী মরক্তা লেপ্পুনা শন্দোক্তুনা লৈ। অদুনা মখোয়না মীওইবদা নাহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরবসু মহৌশানা মখোয়না মীওইবদা তোয়না নাহনবা ঙমদে। করিগুম্বা নাবা তারবসু মখোয়গা হকথেংননা শম্নরুবা নৎত্রগা মখোয়গী (উচেক্কী) মথিগী খুথাংদা শন্দোকই। অসুম্না মীওইবদা তাঙনা নাহনবা য়াওরবসু মী অমদগী অমদা মথং মথং লৌনদুনা শন্দোকপদি ঙমদে।

অদুম ওইনমক হেলথ এক্সপার্টশিংনা মতাংসিদা ৱারিবদি এনিমেলশিংদগী (উচেক য়াওনা) হৌরকপা ইনফ্লুএঞ্জাগী ভাইরস মখল অসি মীওইবদা ইম্যুন শোনবগী ফীভম লৈবনা মরম ওইদুনা মতিক চাবা হীদাক লাংথকশিং পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মী অমদগী অমদা মথং মথং পাক শন্না শন্দোকখিগদ্রা হায়বসিনি।

হৌজিক মালেমদা পাক শন্না শন্দোক্লিবা ঐচ ১ এন ১ গী খ্বাইদগী নৌবা ভর্জন (ষ্ট্রেন) অসি ঐখোয়না হান্না থেংনখ্রবা ভাইরসকী ষ্ট্রেনগা মান্নদে। মরু ওইনা অনৌবা ভর্জন অসিদা উচেকশিং অমসুং ওক লোয়ননা মীওইবদা শোকহল্লিবা ভাইরসকী ষ্ট্রেন্দা য়াওবা জিনেটিক্স মেটরিএল য়াওরম্বা থেংনৈ। কুমজা ২০০৯ দা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসন্না ওক্তগী হৌরকখিবা অনৌবা ষ্ট্রেন ঐচ ১ এন ১ অসি মালেমদা পাক শন্না শন্দোরক্লবনি হায়না লাউথোকখি। মসিগী ষ্ট্রেন অসিবু মীয়াম্না স্বাইন ফ্লু হায়না খঙনখি। অনৌবা ভাইরস অসি মালেমদা পাক শন্না শন্দোরকখিবগালোয়ননা কুমজা ২০১০ হৌরকপদা ভাইরস অসিনা মীওই ১৭,০০০ শিহনখি।

কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

লিজ মারী

এলিজাবেঠ মারী (সেপ্টেম্বর ২৩, ১৯৮০ দা পোকখিবী) অসি অতাবা মীওইশিংদা (ওদিয়ন্সতা) অচৌবা থবক তৌনীংনবগী ৱাখল পোকহনবা ঙম্বী, অফবা মায়কৈদা ঈথিল পীবা ঙম্বী, মীবু পূক্লিং থৌগৎপী অমেরিকাগী মশক নাইবী মোটিভেসন পীনবা ৱা ঙাঙবী অমসুং অইবী নুপী অমনি। স্কুল তল্লিঙৈ মতমদা ময়ূম মকৈ লৈতনা মথোং মরম খঙদনা হৌরকখিবা ওইরবসু মহাকপু হরবার্দ য়ুনিভর্সিটিনা য়াখিবগীদমক্তসু এলিজাবেঠ মারী অসি মমিং চৎলি।

এলিজাবেঠ মারী ন্যু য়োর্ককী ব্রোংস্কতা লায়রবা অমসুং দ্রগ এদিক্ট ওইবা মতৈ-মনাও অমনা পোকখি। মখোয়নিমক কোন্না ঐচ আই ভি পল্লকখি। মারীনা শুপ্পগী চহী ৩ শুবদা ঙাইহিরিঙৈগী মতমদা মহাক্কী মমা-মপাদু দ্রগতা লাইচুরে হায়বসি খঙলকখি। নোংমগী মনুংদা মখোয়না কয়ারক হন্না কা লোনশিন্দুনা টেবল অমদা চঙশিল্লগা দ্রগ শীজিন্নরগা লৈ। লিজ অমসুং মহাক্কী মচে লিজা দ্রগতা লাইচুবগী ইনভাইরনমেন্ট অমসুং অমোৎপা মরক্তা য়াম্না তোয়না চাবা-থকপা ফংদনা লেল্লম্মী। স্কুল তম্বগী মতম য়ৌদ্রিবা অঙাং অমা ওইনা শুপ্পগী থাগী ৱেলফ্যের চেকশিং লাকপা খক্তনা লিজগী পুন্সিদা শ্বর হোন্নবগী মচাক ওইখি। থা ফারক্লবা মতমদা মহাক্না মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা পোষ্টমেন্না অদুগুম্বা চেকতু পুরকপা ঙাইখি।

লিজ অমসুং মচে লিজানা মমা-মপানা দ্রগ লৈরুরগা লেল্লকপা শেল খরখক্লা ইমুংগীনি হায়দুনা লৈরকপা অচা অথক্কী পোৎলমশিং ঙাইদুনা লৈখি। থা মপুম অমগীনি হায়দুনা শুপ্পগী দোলর ৩০ খক্লা ইমুংগী চানবা শিনখি। কুমজা ১৯৯৬ তা এইদসনা নাদুনা মমা লৈখিদবা মতুংদা লিজ মারী ময়ূম মকৈ লৈতবা নুপীমচা অমা ওইরকখি। মতমদুদা মহাক চহী ১৫ দম শুখি। মহাক্কী মপানা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবশিংগী লৈফম (সেল্টর) অমদা মখোয়বু পুখি। ময়ূম লৈজদ্রবসু লিজনা লাইরিক তম্নীংবগী ময়াইনা হায় স্কুল কানবগী ৱারেপ লৌখি। স্কুল কয়ানা মহাকপু লৌ হায়বা য়ারকখিদ্রবা মতুং ইকোন কোনবদা লিজনা হায় স্কুলগী মহুৎ ওইবা য়াবা মেনহাটানগী চেলসিদা লৈবা হ্যুমেনিটিজ প্রিপেরেটরি একাদেমিদা মিং চনখি। তীনেজর অয়াম্বনা গ্রেজ্যুএসন তৌনবা মতমদা লিজনা হায় স্কুল তম্বা হৌখিবনি। য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মহাক এ-গ্রেদকী মহৈরোয় অমা ওইবা ঙমখি। চহী অনীগী মনুংদা মহাক মফমদুদা হায় স্কুলগী মতম লোইশিনখি। মহাক 'ন্যু য়োর্ক টাইমস' না কা হেন্না লৈত-লায়র ওইবা মহৈরোয়শিংদা পীবা স্কোলারসিপ ফংখি অমসুং মহাকপু হারবার্দ য়ুনিভর্সিটিনা লৌশিনখি। মহাক্কী মচে লিজাসু ন্যু য়োর্ক ষ্টেটকী পর্চেজ কোলেজদগী গ্রেজুয়েসন লোইদুনা ওটিজম লৈবা অঙাংশিংগী স্কুল অমদা ওজা ওইখি।

কুমজা ২০০৬ কী অথেংবদা মারীগী মপা এইদসনা নাদুনা শিখি। মহাক ২০০৬ তা হারবার্দতা হল্লক্তুনা ২০০৯ দা গ্রেজুএসন তৌখি। হারবার্দ সম্মর স্কুলদা গ্রেজুয়েট কোর্স খরা য়াওশিন্দুনা মহাক্না ক্লিনিকেল সাইকোলোজিদা দোক্তরেট ফংনবা অমসুং কাউন্সেলর অমা ওইনবা হোৎনখি।

মহাক মেনিফেষ্ট লিভিংগী ফাউন্দর অমসুং দিরেক্টরনি। ন্যু য়োর্ক টাইমস অমসুং সন্দে টাইমসনা য়াম্না থাগৎখিবা বেষ্ট সেলিং ওইখিবা নীংশিংদুনা ইবা মহাক্কী লাইরিক ব্রেকিং নাইট সেপ্টেম্বর ২০১০ দা ফোঙখি।

থাজবরা, থাজদবরা ?

অঙকপনা থল্লবা মালেম

- খরমীনা মকোক তৎলবসু চয়োল কয়ামুক হিংদুনা লৈবা ঙমই। শিবা তারবসু চাদবদগী শি।
- টোকিয়ো সিটিদা মিনিট ৫০ য়ৌদবা চৎথোক-চৎশিনশিংদা কারদগী সাইকলনা থুবা হেল্লি।
- নহাক্কী হকচাংনা সেকেন্দ অমদা রেদ ব্লদ সেল মিলিয়ন ১৫ পুথোকই অমসুং হাৎলি।
- মালেমগী পাউচে পুম্নমক্কী তঙ্খাই অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কানাদাদা ফোঙই।
- মমাঙঙৈগী ইজিপস্যানশিংনা নুংগী মোন খাঙনরম্মী।
- নহাক শরু ৩০০ গা লোয়ননা পোক্লকই, তৌইগুম্বসুং মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদা নহাক্কী শরু ২০৬ তা ঙাইখি।
- চহীদা উচেক ১০,০০০ হেন্না থোঙনাওদা য়ৈশিল্লগা শি।
- মালেমদা এনিমেল স্পিসিজ মিলিয়ন অমা হেন্না লৈ।
- কুমজা ৯৩০ দা লিংখৎখিবা আইসলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টনা মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা এক্তিভ পার্লিয়ামেন্টনি।
- সেটর্নগী রিংশিং সোলিদ ওইদে। মখোয় উন মচেৎ, নুং মচেৎ-মকাই অমসুং উফুল-ৱাইফুলনা শেমই।
- জুপিটরগী থা ৬৭ লৈ, সেটর্নগী ৬২ লৈ, য়ুরেসনকী ২৭, নেপচ্যুনগী ১৪, মার্সকী ২ অমসুং আর্থকী অমখক লৈ।
- টেলিস্কোপ শীজিন্নদনা মীওইবগী মিৎতনা উবা ঙম্বা প্লানেট মঙা লৈ। মখোয়দুদি - মরক্যুরি, ভেনস, মার্স, জুপিটর অমসুং সেটর্ন অসিনি।
- লাইট বল্ব পুথোকখিবা থোমাস এদিসন অমম্বা কিবা মীশক অমা ওইরম্মী।



ঙ ইহাক্তং পোখাবা য়াব্রা য়েংশি

খোমজিনবা, লেংজবা -

য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার

নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি

য়াম্না কুইনা লাইনা লাইওং খঙদবা অনাবা অমা নাদুনা লাক্লবা নুপা অমা দাক্তর অমগী মনাক্তা লাকই। মাবু উবদা দাক্তরনা হায়, "নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি" অনাবা নুপা অদু হরাও লুতোন শাৎনা হায়রকই, "থাগৎচরি দাক্তর বাবু, অশ! ঐ কাইনথংদা অনাবা ফদৌরবা।

দাক্তরনা হায়রকই, "য়াম্নদি হরাউবিখিগনু, সুমদৌবনি, পোষ্ট মোর্টেম লোইরবা মতম অদুখক্তদনি, লায়না অসি নঙগী নমিং লৌদুনা থোন্দুনা নহাক নমিং চৎলগদৌবনি।"

অদুম শিখিবা তাবনি

- আ, দাক্তর, ঐগী অনাবসিবু কয়াম লুবা ফিভমনোনে?
- ৱারুনুদা (দাক্তরনা নোল্লগা হায়)
- অদুবু সুম তাবদা দাক্তরসু লাইওং লান্না লেপ্পুনা অশোয়বা কয়া য়াওই হায়রি, ঐনা খঙবদদা নিউমোনিয়াগী অনাবদু তাইফোইদনি হায়না লৌদুনা তাইফোইদ নাদুনা শি (অনাবনা হায়রকই)
- হৈ, করিম খল্লুনু। ঐদি অদুম তৌরোইনে। ঐনা নিউমোনিয়াগী অনাবা লায়েংবা তারবদি নিউমোনিয়ানা অদুম শিগনি, তাইফোইদ ওইনা শিরোই, খঙলেদনা?